"ঐবু নোকসিরা ঐবু কপসিরা
হো পুর্নিমা, মেরাগী পুর্নিমা।"

*- মাইবম রামচরন*

## নীংশিংবা

নীংশিংবীয়ু ঐবু ঐনা চৎখ্রবা তুংদা,
চৎখ্রবদা য়াম্না লাপ্পা চিক্লবা লমদমদুদা;
নঙনা ঐবু অমুক হন্না খূৎ পায়দুনা ফাবা ঙম্মরোইদবা,
নৎত্রগা ঐনা চৎলগে লৈথোকউবদগী
অমুক হঞ্জিল্লকপা ঙম্মরোইদবা।
নীংশিংবীয়ু ঐবু নোংমা নোংমগী পাউদম্ফম লৈত্রবদা
নঙনা থৌরাংখিবা ঐখোয়নিগী তুংগী পুন্সিগী:
নীংদমক নীংশিংবীয়ু ঐবু; তারিব্রা নহাকপু
হৌজিক্তি থেংখ্রগনি হায়জবসু নৎত্রগা নীংজবসু।
অদুমক্তদা মীৎকুপ খরতা ওইরবসু
নহাক্না কাউথোকপীরবা ঐহাকপু
অদুগা নীংশিংবিরবা অমুক হন্না, ৱাবিরুগনু করিসু:
মরমদি অমম্বনা কৃপ্লবা হকচাংনা লোইখ্রবদা
ঐগী ৱাখলগী খুনামদো লৈহৌবা নঙোন্দা,
কাউখ্রগনা হেন্না ফরবা মোমোন মীনোক্না
নঙনা নীংশিংলগা ৱাগদবগী শরুক।

CHRISTINA ROSSETTI গী REMEMBER হায়বা শৈরেংদু শ্রীভক্তনা মণিপুরীদা হন্দোকপনি।

## ইমোইনু ইমা

**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

লৈমরেল লাংওল চঙখোনবী
কোলোয় মিংলেনদি ইমোইনু
হীপোকপী য়াইপোকপী পলেম-ও
কচ্চরি নহাক্কী ঙাক্লৌ থম্বালদা
ফৌ শঙবাই অচোনবা
চেঙ চেঙফু অথনবা
অনৌ অপেনগী অথেনপোৎ
লৎনবা লৈতনা লৌশিনবীয়ুকো ইমা;
শিদ হীদাক্কী মশক ওইরবা
ৱাকচীংগী নোংলিক খিকহনবীদুনা
মতু মমাল খিংহনবীরে
লেঙলি পাল্লিবা পূন্নমক
কোভিদ-১৯গী চৈথেং নংলবা
নমু তাইবঙ খিবিকপুসু
অনৌবা থৌনা হাপ্পীরে
মপুগী শিন্থা পাঙননবা;
ইমা নহাক্না খোঙদোই হুল্লকপদা
পীনবিরম্মু য়াইফ থৌজাল
পাঙদ্রবা নচা ঐখোয়দা
ফৌগৈ চেঙ্গৈ চোঞ্জগে
ৱাৎত-পাদবা ওইজগে,
অনা-অয়েক য়াওদবা
নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়বা
কুমজা অমা ওইহনবীয়ু ২০২১;
লোইদাম থাবুমদি কুইরেদো
চহী তরেৎ খুন্তাকপগুম
খুন্তাক লানশিদুনা লৈরকপা
খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলশিংসে
ইমাগী মিংলেন অথোইবনা
শাদোংলিবা পুন্সি চেঙজেল তানফমসে
অমুক্তদি লৈচিল পোমাই হাংদোকপীয়ু;
মপোক মপোক খুদিংদা
ইমাগী মিংখৈ অথোইবা
শকপা শোঞ্জবা ঙমজগে
ইমাগী থৌগল ফংজগে
লানখিবা কোঙ্গায় লৈরবসু
শোয়খিবা লিশীং য়াওরবসু
অশিবা মচানি খনবীদুনা
ঙাকপীয়ুকো হে পলেম ইমা।

## মপাওদো

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ৱাহং অদুগী পাউখুমনি
ঐনা ঙাইখিবা
কুমওন অমদগী
কুমওন অমা ফাওবা।
কুইরবগী তুংদা
নোংমা
য়াম্না থাজদনা
ঐগী থম্মোয়বু
মথুম মরাং হৌহন্দুনা
লাংতক্লনা ঙাইজরকপা
মপাওদো তাজখি।
মপাং কায়নরুবা
লমগী চেক্লানা
খঙহৌদবা মীকুপ্তা থেংনরবদা
থম্মোয় থম্মোয়
মশক খঙনজদুনা
ঐগী ৱাহংদুগী পাউখুম্না
ঐবু মীকপ থোকহনখি।

## য়েন্নীংথাদুনি ঙাইরিবা

**—কাংজম হেমন্ত**

ইরাক্লহল্লে তত্তনা
নুংশিগী ঈপাক্তা
নোংলৈ অমনা হুমদুনা,
হৌখ্রে নুমিৎ মশীং খঙদনা
উন্নসি হায়রম্বদু কৈদৌঙৈনো?
লাকখিদ্রে অমুক
উৎলদ্রে মীৎমাংদা
নুংশি ভিক্ষ্যা নিরল্লগা
নাওশুমবীরম চীরোল ৱাহৈ কয়ানা,
ওইহৌরে লাইমন
নীংখাইরক্লে থম্মোয়গী পন।
শিন্থরক্লি মনিং তম্না
মরোল থোক্ত্রবা পিরাংসে
তৈথোকপীনবা কনা য়াওদনা,
চাক্লি মৈরি থোক্না
মুৎনাইদ্রবা মৈগী চীংগুম।
মরুভুমীগুল্লে পুন্সিসে
করম্বা য়েন্নিংথাদনো
লৈশাৎ তমগদবা!

## ৱাকচীংগী নোং

**—পুয়াম অচৌ খুমনচা**

ৱাকচীং কোরৌ নোংমা পানবা
অনৌবা আশা পুদুনা থুংলরে
কুমগী নোংজুগা ইরোয়না,
অহল-লমন্না ৱাকচীংদা তাবা নোংদি
মালেমগী শিদ-হীদাকনি হায়নৈ।
মালেমবু ঈংহনবা, উফুলবু ফাজিনবা
পুখ্রি, খোংবাল ঈশিং থন্নবা
খুইথরুরবা উপাল তেকখৎনবা
চুরিবনি ৱাকচীংগী নোং।
মবুক তপ্লবা নোংথাং মখোল তাদ্রবা
ৱাকচীংগী নোং নঙনা
চামথোকপীরম্মু মীওইবগী মোৎলবা থম্মোয়
ঋতু মানা হোংবদা
হোংই অঙৈং-অশা
মীওইবগী ৱাখলসু
মীওইবা নঙ ৱাকচীংগী নোংমা পানবা
কাউগনু কাউজলথীবা মীওইবা
মালেমগী শিদ-হীদাকনি হায়বা।

## কৈথেল

**— থোকচোম সনায়াইমা**

পুরৈরোম্বা মশাইকোন
উজাও উপালদা শাথুপচ
ইপারি ইমোম খিবিকপু
য়োকচ-থাকচ লন-কুবী
লোইদাম য়াল্লে কুইরক্লে
পুরৈরোম্বা খোংনাংখোং
মিংথোল অসি ফংলবীনি
ঙরাংগী ঙাখা কোভিদ
কোভিদ মানা চাইখাইরে
পুংচাই হেক চাইরে লৈতাদ্রে
ইপারি ইমোম পূন্নমক
পুজরকইবা ইঙ্খোলগী
লৈজ লৈজ অনৌ অপেন
লৈত লায়র ঙাচেৎ থুমচেৎ
মচা মশু অৱাৎ অপা
মহৈ মহৈ মথোং খঙদ্রে
পেতংঙা ইমাগী মশাইকোল
নোংমাই নিংঙোল পেতংঙা
শাথুপচরে কিজনা
পেতংঙাগা চাকয়োকমীন্নরে
মখল শুরে ফজরে
পুখ্রি মপাল চঙফমদৈ
কোনুং মমাঙ য়ৌদৌরে
শোরোক নাক য়েৎ
পরেং অনী-নি শেমদুনা
চীংমী তম্মী মুসলমান
পারি ইমোম হৈনীংনা
হোবে হোবে শিন্থাদা
কুইদে তন্না তান্থোরক
কোভিদ মানা ঙম্ববু
চাইখ্রে পুমচাই মহৈ মহৈ
খোইরেল মহুম কায়গুম্মী
ইস! করমনো মতৌসে
থৱাই ময়াম পূন্নমক
চাকয়োক নাওয়োক্তবদি ময়াদে
নাওকোল্লোইসি করমনো
অমুক তন্না খোমজিনজৈ
গোবিন্দজিগী নোংপোক
সোরোক নাক য়েৎ
নুংশিজখ্রে তাইবঙ থৱায়শিং
উননা ত্রৎ-ত্রৎ নাচুংদে
নোংজু নুংশা কিবীদে
অমুক কদোম থোক্কবা
লাইরেম্বী ইমানা মুরুম মুরুম
নাওকোলহৌরি পূন্নমক।

## মপুগী খুদোল

**—এম দি সলমান খুরশিদ**

পাম্মুরুই নাইতোম তরক
পাম্মুজরুই ইদোম তরক
পাম্না পাম্না য়েংখিদো
পামুনা শাগৎলুবা আশা
পামজনা মপু মহাক্তা কৎচৈদো।
পুন্সিগী তেল্লবা খোঙচৎতা
শাগৎলুই আশা কয়া কয়া
অদুবু মাঙখি খঙহৌদে
খঙবা ঙমদে মপুগী নোংদম্বা।
অৱা-অনা পূক্নিং ৱাখল
ঙসিনা কদায় হয়েংনা কদায়
ঙসিনা অমা হয়েংনা অমা
পুন্সিগী পীনৈদা ইফমদা
অঙকপনি মপু মাগী নোংদম্বা।
ঙসিনা কন্না চৎলম্বা
হয়েংনা অতেক অকায়না থল্লি
নুংশিরুই পামুনা লেপ্পা লৈতনা
অতিয়া নক্না শাগৎলুই আশা
পীনৈদো আশা কয়া কয়া
অঙকপনি মপু মাগী পীনহৈবা
অঙকপনি মপু মাগী থৌজাল হৈবা
মসিনি মপু মাগী নোংদম্বা।


## খুরুমজরি


**—নরেশ লাইময়ূম**

থম্মোয়নুংদা ফাওহনদনা
পাখৎপা, তুজুংবা, অকিবা, মীপাইবা
মালেমদা লৈরিবা থৱায় পানবা পূন্নমকপু
অমুক্তংদি থৌজালবীয়ু মহৌশাগুম
ফংহনবীয়ু নশাইগোন্দা
চেন-চোঙদুনা শান্নবা
পুন্সি শিন্থা কায়দনা
হে তাইবঙ শেম্বা মপু
ইখূৎ অনী লোন্নদুনা
তোল্লবা ননাই ঐহাক্না খুরুমজরি
হন্না হন্না।

মতম মতমগী ৱাখল

# চা খোম্মৈগী 'শজিগী লৈবাক্তা'



জানুৱারী ২৩ অসি নেটাজি সুভাসচন্দ্রগী মপোক চহী ১২৫ শুবা চহীনি। ইন্দিয়াগী মরুওইবা মফমশিংদা মরুওইনা বেঙ্গলদদি নুমিৎ অসিবু থৌরম চাউনা পাংথোক্লরি। নেটাজিনা লীংখৎখিবা আই এন এগী লাম্মী চীংলৈবাক্কী লমদম, মণিপুরদসু য়ৌশিল্লক্তুনা আই এন এগী ফিরাল অসি মোইরাংদা চিংখৎখিবগী থৌদোক, মণিপুরদা আই এন এ লাকখিবগী শাংলবা ৱারী লৈরি। আই এন এ, মণিপুরগী মীপূম খূদিংমক্না পাক-শন্না চিনফা পুদুনা খঙবা ৱাৎলি। অখঙবা লমদমসিগী ইতিহাসকার, হিষ্টোরিয়ান খরতনা নৈনবা ওইনা ঐনা থেংনজৈ। মতম অমা আই এন এ য়াওখিবা ঐখোয়গী অহল লমনশিং লৈরিঙৈদা মখোয়না আই এন এগী মরুওইবা ৱারী ৱাখোঙ ঙাঙবীখি। মখোয়না আই এন এগীদমক লৌখিবা থৌদাংশিংগী মরমদা মখোয় মশামক্না আর্টিকল ইদুনা ফোঙখিবা থেংনখি। লৈঙাক্না মখোয়বু ফ্রিদম ফাইটর হায়দুনা ইকায় খুম্নবীখি।

আই এন এগী মরুওইবা ৱারী মণিপুরদা ঙসি মমি শামথরকপগুম উই। মোইরাংদা আই এন এ মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স লৈরিবসি আর্ট এন্দ কলচর লৈঙাক্কী মখাদা লৈজরগসু মোইরাংগী অখঙ অহৈশিংতনা ঙাক শেনবগুম উরি। মোইরাং খক্তগী ওইনা মীয়াম্না লৌনৈ, মণিপুর পূম্বগী ওইনা উহনবা ঙমদে। নেটাজি সুভাসচন্দ্রগী মপোক চহী ১২৫ শুবা থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডিপার্টমেন্ট ওফ কন্মসর্কী কনফরেন্স হোলদা সেন্টর ফোর স্টডিজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অহৈবম কোইরেং অমদি শুখদেব শর্ম্মা হঞ্জবম অনীনা এদিট তৌদুনা ইংরাজিদা 'আই এন এ এন্দ মণিপুর' মিংথোনবা লাইরিক অমসু ভাইস চানশেল্লর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরনা জানুৱারী ২৩, ২০২১দা ফোংদোকপীখি। য়াম্না একাদেমিক ওইনা মায় পাক্না পাংথোকখিবা মরুওইবা থৌরম্নি। লাইরিক অসিনা আই এন এগী মরুওইবা ৱারী হেন্না খঙবদা মীয়ামগী মতেং ওইগনি।

মণিপুরদা তাঙনা থোকখিবা কাওঙমদনা মীয়াম্না মীরোল অমদগী মীরোল অমদা শোন্নদুনা, লীনদুনা লাকখিবা লানগী ৱারী অহুমখক লৈরি। ৱারীশিং অদুদি- চহী তরেৎ খুন্তাকপা, খোংজোম লান অমদি জপান লান অসিনি। চহী তরেৎ খুন্তাকপা (অৱা লান) অমদি খোংজোম লানগী ৱারীসি লমদমসিগী চীংগী লমদা য়ৌনা খঙদে। চীংগী লমদি লায়রদনা তম্পাক্কী লমদসু মী অয়াম্বনা চহী তরেৎ খুন্তাকপগী ৱারী, খোংজোম লানগী ৱারীবু ফুঙ্গা ৱারীদৌনা লীনৈ। মসি অচৌবা অঙকপা, অশোয়বা অমনি। খোংজোম পর্ব্ব, পেনা ঈশৈ শকপা অশৈবা অশৈবী লৈরমদ্রগদি কাউনরম্বসু য়ারি। চহী তরেৎ খুন্তাকখি হায়বগী মিৎ থনবা মফম, খুন্তাকখিবা লৈকাই লম, খুঙ্গং খঙবা ঙমদে। খুন তাকইবসি ইম্ফাল খক্তরা মোইরাং য়ৌদ্রা হংনরকপা য়াবা ৱাহংনি। গম্ভীরসিং, নরসিং, হেরাচন্দ্রগী ৱারীদা য়াওবা অদুদগী হেন্না চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মরমদা পাকথোক চাউথোক্তে। লীলা, ড্রামাদা খরা হায়বা ঙাঙনবসিনা মরৈবাক নুংশিবা মথৌনা লৈবা উৎপা লোইবগুম তৌই। আর কে সি এসকী আর্ট গেলরিদা ইকায়খূম্নজরিবা আর কে সি এসনা য়েকপীরম্বা পেন্টিং অদু নত্তনা মিৎনা উবা ঙম্বা, চহি তরেৎ খুন্তাকখিবগী, খোংজোম লান, জপান লানগী ভিজুয়েলশিং অতৈ অতোপ্পা আর্ট গেলরিদা থেংনদ্রি। ঐনা উজবা ৱাৎপা ওইরম্বসু য়াই।

খোংজোম লানগীদমক্তি খোংজোম লান শোক্লখি হায়বা খোংজোম খুঙ্গংদা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সন। চাউনা উৎতুনা লৈরে। অঙকপা, নুংশিবা, মরৈবাক নীংবগী থৌনা লৈবা ঙসিগী মীরোলদা উৎপা য়াবা অঙকপা ভিজুয়েলশিং আর্ট ৱার্ক থমদবগী ৱাতা ঙাইরে। খোংজোম লান শোক্লখি হায়বগী লান্দা মাইয়োক্লখিবা অথৌবা পাউনা ব্রজবাসিগী ইমুং মনুং, চোংথা মিয়াগী ঈগী মরি অমদি অতৈ লানফমদা থৱায় থাখ্রবশিংগী মরী মতা-শাগৈ নাতৈ লৈদুনা অশেংবা অদু মশক তাকপা ঙল্লি। মতৌ অসুম্না জপান লানগীসু থৌদোক থোকফম বোম তাখিবা মফম অমা চীঙাংবম মান্দব খুরাইদা লৈরি। লিভিং মিউজিয়ম সাইদ ওইনা শেমগৎলক্লবগী পাউসু তারি। মাইবা লোৎপা চীং নম্বোলদা লৈরি। মোইরাংগী আই এন এ ফিরাল চীংখৎখিবা মফম লৈরি। লান্দা শীজিন্নখিবা বোম তোপ, লৈখিদবা জপানগী লাম্মীশিংগী শরু খোমজিনবা, ৱার ভেটৈরান ময়াম্না লাক্তুনা হৈকৎ লৈকৎ তম্লবা ঐখোয়না উরি তারি। নম্বোলদা মিউজিয়ম অমা শেমগৎপা উরে। অকনবা লানফম অহুমসিগী ওইবা হেক উবদা থুক লাওবা, জপানগী হিরোসিমা পিছ মেমোরিয়েল সাইদ কুম্বা, রুশিয়াগী লেনিনগী মিউজিয়মগুম্না, ইন্দিয়াগী হায়রগনা গুজরাত্কী গান্ধীনগরদা লৈরিবা স্বামি নরায়ন টেম্পলগুম্না নৎত্রগা দিল্লিগী লাল কিলাগুম্না ঐখোয়গী লৈহনবা ঙমদবসিনা ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা মালেমগী থাক্তা টুরিষ্টশিংগী মিৎয়েংফম ওইহনবা ঙমদবসি লাইরবা লৈবাক ওইরুবদগীনি।

লানগী থৌদোক অহুম থোকখিবা লমদম অসিগী ৱারীশিংগী মনুংদা 'জপান লান' হায়বসিদা আই এন এগা জপান লানগা অকনবা অচৌবা মরী লৈনৈ। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও হায়বসি ঐখোয়গী মীয়ামশিংনা পাক শন্না হায়নদে। ঐখোয়গী মীয়ামদি অনীশুবা লাঞ্জাও হায়বগী মহুৎতা 'জপান লান' হায়বসি ওইনা খঙনৈ, হায়নৈ। মণিপুরদা থোকখিবা 'জপান লান' হায়না খঙনরিবসি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী শরুক অমা ওইরিবনি। জপান লানগী ওইনদি চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম অনীমক্তা নুংশিবা অঙকপা থৌদোক ৱারী কয়া মফম খরদা থোকখি। জপান লান হায়না খঙনরিবসি চৈচৎ কুমশীং ১৯৪২ দগী ১৯৪৫ অসি ফাওবগী মতমদা থোকখিবনি। য়াম্না কন্না লানগী বোম তাবা চৈথেং নংখিবদি চৈচৎ ১৯৪৩-৪৪ অসিনি। মণিপুরগী মফম খরদা বোম তাখি। ইম্ফালগী খুরাই চীঙ্গাংবম মান্দপ হায়না খঙনরিবা অসিমক্তদা এপ্রিলগী ২০, ১৯৪৩দা বোম তাখি। ৱারী য়াম্না লৈখ্রে। মফমসিমক মেমোরিয়েল সাইদ অমা ওইনা ঙসিফাওবা নীংশিংনরি। ইম্ফালগী জপান লান হায়রিবসি জপান লৈবাক্তা মণিপুরগা শোক্লবা লান নত্তে। মণিপুরনা মফম পুথোকপনি। লানফমগী শরুক অমা ওইখিবনি। শোক্লরিবা লান্দি বৃটিশ এলাইদ ফোর্সকা জপানগী লাম্মী কাঙবুগনি। আই এন এ সিদি নেতাজি সুভাসচন্দ্রবোসনা শেমজবা লাম্মী খুৎপুনি। জপানগা খুৎশম্নরগা বৃটিশকী মথক্তা লান্দবনি। লোইলম শন্দোকলকখিবা মখোয়গী লৈঙাক মখাদা নমশিন্দুনা নীংতম্বা মাঙহনবিখিবা ইন্দিয়াবু মখোয়গী খুৎতগী কন্নবা হোৎনবদা জপানগী মতেং লৌনবা মখোয়গা লানগী মীচং ওইখিবতনি। জপান্না মণিপুরদা বোম থাদরকখিবদু মণিপুরগী মীয়াম্বু নুংশিদদুনা থাদরকখিবা নত্তে। মখোয়গী টর্গেত্তি মণিপুরদা লৈরিবা বৃটিশ লাম্মীশিংদনি। ঐনা ঙকচখিবদি জপান্না বোম থাদরক্তুনা ঐখোয়গী চমজরবা মীয়াম বোম্না পান্দুনা শিখিবা, শোইনাইখিবা, লন থুম মাং তাকহনখিবা জপানগী লাম্মীশিংদা শাওখিদে, অহোয়নদুম মখোয়গী মতেং পাংখি, চানবা পীখিবা কয়াগী ৱারী কয়া লৈরিবসিনি।

অসিগুম্বা থৌদোক ৱারী কয়া মণিপুরগী কাচিন কোয়শিংদা খোন্থাং য়ৈনা লৈহৌখি। ঙসিগী মীরোল খোর্জেই পায়বীরিবা অইবশিংনা জপান লান থৌদোক্তা য়ুম্ফম ওইরগা মখোয় মখোয়গী শেমগৎ ৱারীদা ইবা লাইরিক পুথোক্লবগী মশীংসু হেনগৎনরক্লি। চা খোম্মৈনা ইবা ৱারী লীশাং হায়জবা তাই (উপন্যাস) 'শজিগী লৈবাক্তা' কৌবা লাইরিক অমা মমাংগী চহী ডিসেম্বর ১৩, ২০২০দা ফোঙখি। লাইরিক অসি অহানবা উবদা ৱারী মচা হায়রপ মাল্লি। পারুরগাদি ৱারী লীশাংনি। 'জপান লান' হায়রগা ঐখোয়না খঙনরিবা মালেমগী অনীশুবা লানগী ৱারী অমা অইবা চা খোম্মৈনা অপোকপা মপাবুংদগী তাহৌখি। লালগী ৱারী মতেক লীরকপদা থম্মোয়দা ফাওখিবা অদু অইবা চা খোম্মৈনা শাগৎচবা ৱারী পরিং অমদা অমুক শেমগৎতুনা, লৈতেং হাপ্লগা লাইরিক ওইনা ইথোক্লি।

অইবগী পোকফম লৈফম অসি লমজাওদনি। সাহেবকী (গোরা) কেম্পসি মখা মাইকৈ ককচীং পলেললোমদা অচৌবা মফম্নি। ককচীংদসু অনীশুবা লাঞ্জাওগী ৱারী কয়া লৈরি। ককচীং, লাংমৈদোং, লমজাউ হায়বা মফমশিং অসি খোংনা লৌবুক ফাওরগা ঙল্লিঙৈদা চৎনরম্বা পুং খরগী মনুংদা য়ৌনবা মফমশিংনি। খূঙ্গংগী লমদম ওইরবসু অমগা অমগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা, মীপূম খূদিংমক ককচীং, লাংমৈদোং হায়বা খায়দনা ইখঙদ খঙনবা মতৌ, মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতমদা সাহেবশিং (গোরা) না চাইথোক্তুনা মখোয়গী ট্রাঞ্জিৎ কেম্পশিং খুল্লক্তা লৈরকখিবগী মশক অমা অইবনা মহাক্কী লাইরিক অসিদা উহল্লি। লৈমিন্নরবনিনা সাহেবশিং (গোরা) গা খুঞ্জাশিংগা খঙনরকই। মীওইবগী নুংশিনবা থাজনবা হায়বদু ওইরকই। লান শোক্লবদি লৈপাক অমগা লৈপাক অমগা য়েক্লরগা শোক্লবনি। নুংশিনবদি লানফম হায়বা য়েক্লবা হায়বা লৈতে। জপানগা য়েক্লবা ওইরিবা বৃটিশ সিফাই লমদমসিগী খুঙ্গংগী মৈতৈ মীচম অমগদি খুঙ্গংগী মচি অমদা মপু মনাই, মরুপ ওইরি। নক্লরুবগী সাহেবকী চাকথোংবা ওইরুবগী সাহেব অদুনা নুংশিনা তৌবীখিবা, লান লোইখ্রবা মতুংদা মহাক্না পীরম্বা পুখম অদুনা সাহেবকা লোয়নখিবগী কাউঙমদ্রবা থৌদোক ৱারী কয়া নীংশিংদুনা চা খোম্মৈনা মহাক্কী ৱারী লীশাং শজিগী লৈপাক্তা অসি শাগৎলি? ৱারী অমমম্লি। লানগী অফ-ফত্ত, নুংশিনবা কায়নবা, লান লোইখ্রবা মতুংদা সিমিত্রিনা হিংহৌরিবশিংদা অমুক নীংশিংহল্লি। ৱারী লীরি। লাইরিক্কী লোইশিল্লকপদা মমাংদা থোকখিবা লাল নত্তবা অনৌবা লাল অমা ঙসিগী মীরোলনা শোক্লরিবা অইবনা মহাক্কী লাইরিক্তা উহল্লি। লাইরিক্কী মিংথোল ওইরিবা শজি অসি লমদমসিগী মীচম মীয়াম ওইহল্লি। মপাঙ্গল শোল্লবা শজি ময়াম অমা শাদনবগী লাংদা থুখিবা, পাম্বৈ লৈত্রবা অঙম্বনা লৈখ্রবা থৱায়শিংগী পূন্সিগীদমক চা খোম্মৈনা অরোয়বদা পাউখোং চন্দুনা লান লোইখ্রবা মতুংদা মাঙ তাকহৌবগুম উৎলি।

মালেমদা শোক্লরিবা লানশিংনা অফবা অমত্তা ঙসিফাওবদা পুরকখিদে। লান্দা শিখিবশিংগী হকচাংশিংদগী মাঙ তাকহৌবগী মশক্না হেন্না য়াম্মী। লান পামখিবা, মথন্তা সুইসাইদ তৌবা পাম্বা জপান ঙসি লান পনবা য়াদ্রে। ৱার গী মহুৎতা পিছনা হেন্না লূম্না লৌরক্লি। চা খোম্মৈনা মহাক্কী লাইরিক 'শজিগী লৈবাক্তা' হায়রিবসিদা লমদমসিগী মীওইবশিংবু শজিগী পূন্সি ওইহন্দুনা লান্দা শিখ্রগদবা থৱায়শিংগা পাংখক ওইহন্নীংদবা উৎলি। মহাক্কী লাইরিক অসি অনীশুবা লাঞ্জাওগী ৱারী শান্নরকপদা নীংশিংলকই। লাইরিক্কী চেনা কাল্লগদি পাহন্নীংদে। হৌবদগী লোইবা ফাওবদা পাবদা মণিপুরদা থোকখিবা অনীশুবা লাঞ্জাও নীংশিংবা ঙমলগদি লৈখিদ্রবা থৱায়শিং অদুনা নুংঙাইনা য়াতাখিবা ঙমগনি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# ৰাগ দরবারী-৮২

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

অদুবু মফম অসি সিটি নত্তে, খুঙ্গংনি। রুপ্পন বাবু মহাক্কী অপোকপা মপা ফাওবদা থাজবা ঙমদবা মীশকনি। মফম অসিদা লৈরিবা সনিচরসু মণ্ডং অমদনি মহাক্না লৈরিবসি। মরম অদুনা রঙ্গনাথনা মফম অসিদা মশাদা লৈজরিবা অনাবা অদু লোৎশিনবা ঙল্লমদে। মহাক্কী মকোকতা ৱাফম অসি অদুমক কোকপা ঙমদনা লৈরম্মী মদুদি মহাক হুরান-চিন্থি তৌবা কাংবু অমগী মরক্তা লাক্লবরা হায়না, অদুগুল্লবা হুরান-চিন্থিগী কাংবু অদুনা কোলেজ অসিদা থোমজিন্দুনা পূন্নমক হুরানখ্রে। অদুগা হৌজিক্না অতোপ্পা মফম অমদা হুরান-চিন্থিবগী থবক অদু তৌনবা শেম শারি। মহাক হৌজিক-হৌজিক ৱেদ্যজিদা চিন থিদুনা চৈ ঙাঙনিংবগী ৱাখলনা পীক থন্না লৈ। মদুগী মথক্তা মহাক্না কনাগুম্বা মীশক অমা য়াম্না কন্না থিরি। মদুদি মীওই অদুগী মমাংদা মহাক্না পেনবা মখৈ মচিন থিবা ঙম্নবা।

অদুগুম্বা মীওই অদুদি কদাইদা ফংগনি? খন্না মাষ্টরবুদি লৈরি। করিগুম্বা মহাক্কী মমাংদা করিগুম্বা ৱাফম অমা হায়রবদি ৱাফম অদু হেক নোংঙানবগা খুঙ্গং শিনবা থুংখ্রগনি। অদু ওইরবদি পূন্নমক্না হায়নরগনি মদুদি ৱেদ্যজিগী মমাকনুপা মশামক্কী মাম্মদা মচিন থিদুনা চৈ। হৌজিক্কানগী লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইশিং অসুম হায়না তৌনরে হায়না হায়নখিনি। মালবিয় মাষ্টর হীরম অসিগী মতাংদা ৱা খন্নবা য়াবা মীশকনি। অদুবু মহাক কাংলুপ নাইবা থবক তৌরগসু ইচম চমজবা মীশক অমনি। মহাক্কী মমাংদা কনাগুম্বা অমত্তনা ৱা ঙাঙবদা নুংঙাইবা হায়বদু ওইদে।

অদু ওইরবদি কনা? রুপ্পন বাবু ?

রঙ্গনাথনা রুপ্পন বাবুদা থাজবা খরদি লৈজৈ, মরমদি করি-করিগুম্বা মতমদা মহাক প্রিন্সিপাল সাহবতা মচিন থিদুনা কোলেজ অদুগী ওইরিবা ফীভম অদুগী মতাংদা ৱারী শান্নৈ। মহাক্কী পেঞ্জদবা অমদি লৈ মদুদি মহাক লাইরিক-লাইসু য়াম্না হৈজদ্রবসু দুনিয়াদারিগী মতাংদি য়াম্না ফজনা মমুৎ তানা খঙই, য়াম্না খদ্রক-মদ্রক হৈবা মীওইনি। মহাক্না মপা ফাওবা লাংদা থুহন্দুনা অৱাবা ফীভম অমদা তাহল্লিবনি হায়বদি মহাক থবক খুদিং মশাগী অনিংবা-অপাম্বগী মতুংইন্না তৌই; অদুবু মহাক্কী মপানদি খল্লি মদুদি থবক অদু মহাক্কী অপাম্বগী মতুংইন্না তৌরে হায়না। মহাক্না খন্না মাষ্টরদা য়াম্না লানবা থবক অমা তৌখি। খন্না মাষ্টর য়াম্না পংবা মীওই ওইরগসু মঙোন্দা অদুক হাক্না অরানবা থবক অদুদি তৌবিরোইদবনি। মরমদি মদু অফবা থবক নত্তে, মপাগী মতেংনা অপঙবা মীওই অমনা অপঙবা অতোপ্পা মীওই অমবু হাৎপা হায়বদু থোক্লে...।

মফম অদুদা হৌরিবা খোংনাঙ পাম্বী অদুগী মনাক্তা লৈরিবা গুহা মপান্দা ফল্লিবা রঙ্গনাথনা য়াম্না নুংঙাইনা শ্বর শাংনা চিংশিল্লি, মরমদি মতম কুইরবগী তুংদা ঙসি অহানবা ওইনা মহাক্কী অনাবা অদুনা মঙোন্দা অয়েৎপা পীবা হায়বদু ওইদে। থোকখিবা থৌদোক অদু মহাক্না থৌনা ফনা ঙসি রুপ্পন বাবুগী মাংদা মহাক্কী থম্মোয়নুংদা লৈরিবা অৱাবা পূন্নমক অদু হায়দোকখিবনি। মহাক্না তশেং-তশেংনা হায়খি মদুদি মাম্মনা অদুগুম্বা থবক অদু তৌবিরোইদবনি; লৌনম তৌদুনা মেনেজরগী ফম ফংবা অদুনা কৈদৌগদৌরিবনো, মায়কৈ মরিমক্তা মহাক্কী মীংচৎ থীবা হায়বদুদি ওইখ্রে।

রুপ্পন বাবুনা মশাগী হৈনবী মতুংইন্না পাওখুম পীরকই :

"য়েংউ দাদা, মদু পোলিটিক্সনি। মসিদা অচৌ-অচৌবা ফত্তবা থবক কয়া তৌনবনি। মসিদি অমরোমদা করিসু নত্তে। বাবানা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা তুংদা তৌগদবা থবক কয়া লৈরি। য়েক্লবা অমা হেক্তা ওইবা য়াই মদুসু মায়থিবা পীবা মথৌ তাই। করিগুম্বা মহাক্না মায়থিবা পীবা ঙমদ্রবদি মশামক মায়থিবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। করিগুম্বা মশামক মায়থিবা হায়বদু ওইরগদি খৈনি চাদুনা লৈগনি, কনা অমত্তনসু হংলরোইদবনি।"

"অদুবু কোলেজ অসিগী ওইনদি শেমদোকপা য়াম্না মথৌ তারি। প্রিন্সিপালসু য়াম্না ফত্তবা মীনি। অয়ুক-নুমীদাং খাক্তনা কাংলুপ-কাংলুপ নাইনা খৎ-চৈনবা শিন্দুনত্তা লৈবনি। খন্না মাষ্টরসু য়াম্না অপঙবা মী অমনি, অদুবু মহাক য়াম্না ফত্তবা মী অমদি নত্তে। মহাকপু য়াম্না নমথবিরে, হৌজিক খন্না মাষ্টর হৌগৎলকপা মথৌ তারে। ঐনা পাবুংদা ৱারী শাখ্রবনি, অদুবু মহাক প্রিন্সিপালবু লৌথোকপা পামদে।"

"ঐনা খল্লি মদুদি নুমীৎ খরনিগী ওইনদি পাবুংদা ৱা করি অমত্তা হায়রোই, শুপ্পগী তপ্না খন্না মাষ্টরবু থাঙ্গৎসি। মদুনা প্রিন্সিপাল সাহব মায়থিবা হায়বদু ওইগনি। মহাক য়াম্না চাওথোকখ্রে, মহাক্কী চাওথোকপা অদু থুগায়বা মথৌ তাই। করিগুম্বা অমুক্তং মহাক মায়থিখ্রবদি পাবুংনা অদুমক খঙখ্রগনি মহাক কয়াম য়াম্না হৈ-শিংবা মীনো?"

রঙ্গনাথনা ৱাখল তানা শ্বর শাংনা চিংশিল্লি। য়ামদ্রবদা ৱাফম অসি লৈখায় তারে মদুদি মহাক হৌজিক রুপ্পন বাবুগী মমাংদা ৱাফম অসিগী মতাংদা হায়বা ঙল্লগনি হায়না; মসিমসু তশেংলে মদুদি রুপ্পন বাবুগা লোয়ননা খন্না মাষ্টরদসু মীনুংশি উৎপা য়াই, লৈখা তাখ্রবা অদুবুসু অমুক হন্না হৌগৎপা ঙল্লগনি, নাপল তৌরিবা অদুবুসু থুদেকপা য়াই, তেন্তক্না হায়রবদা অরানবগী মায়োক্তা হকথেংননা লাম্থেংনদ্রবসু তুমিন্না লেপ্তুনা হান্নগী মতৌগুম অফবা থাক অদু ফংবা ঙম্বা য়াই।

মফম অদুদগী পংলাপ লাপ্তুনা রুপ্পন বাবু উ অমগী মনাক্তা পুং কয়াদগী ফমদুনা মহাক্কী মপুক শেংদোক্লবা হোৎনদুনা লৈরম্মী। মশাগী ওইবা থবক অদু মীয়ামদা খঙহল্লদুনা হৌগৎলকপদা রঙ্গনাথসু মানা ফল্লিবা মফম অদুদগী হৌগৎলকই। রুপ্পন বাবু মহাক্কী মায়কৈরোমদা লাকখিদ্রবসু মহাক্না রুপ্পনগী মায়কৈরোমদা চঙশিল্লম্মী।

প্রধান ওইদ্রিঙৈ মমাংদা মীয়ামদা খঙহনবা মথৌ তাই মদুদি সনিচর ঐহাকসু অতোপ্পা মীওইশিংনা তৌনরিবা লৌনম-নমথাক্কী থবক অদু য়াম্না লায়না মহাকসু তৌবা ঙম্মী। অফবা মীওইনি লৌনম-নমথাক তৌবা হৈতে হায়না ভোট থাদদবদি তৌগনু। মহাক খুঙ্গং অদুদা অফবা থবক কয়া তৌবা পাম্মী। মহাক্না রঙ্গনাথনা হায়খিবা ৱা তারমখি মদুদি মীখল তৌদ্রিঙৈ মমাংদা অচৌ-অচৌবা নেতা কয়া মহাক্কী মীখল তৌগদৌরিবা মফম অদুদা তোঙান-তোঙানবা লৌশিং কয়া তৌনদুনা খাউদা লুপা কয়া হাপ্তুনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবগী মীংদা খোংবানদা শেল লংথোকনৈ। সনিচরনসু ৱেদ্যজিগী পাউতাক লৌদনা অসিগুম্বা মীনা তৌবা ঙম্নদবা থবক খরা তৌদুনা উৎপা পাল্লম্মী। মদুগী থবক্কীদমক্তা মহাক্না কালিপ্রসাদ কৌবা মীশক অমা খল্লম্মী।

কালিপ্রসাদকী থবক হায়রগদি গভর্ণমেন্টনা পীথরকপা গ্রান্ট কয়াগী লোন লৌথোক্তুনা শীজিন্নবনি। মহাক গভর্ণমেন্টকী শেলগী মতেংনা হিংবনি। মদুগী শিনফম অদুদা মহাক্কী মীওই অহুম এষ্টিটেন্ট ওইনা লৈরম্মী- মফম অদুগী এম এল এ, খাদিগী ফীজোল অমসুং মহাক্কী অসিগুম্বা ৱাফম, "হৌজিক শেল খোমগৎনবগী ৱা ঙাঙগনু। অদোমনা থবক লেপহনবদা অৱাবা লৈতনবগীদমক ঐনা মথক থংবশিংদা হায়জখ্রে।"

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।